**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-04-2026)**

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা উন্নখিবা অদুদা রাজ্য অসিগী ওইরিবা শান্তি রক্সাগী মতাংদা নীংথিনা পাউদমখি। গৃহ মন্ত্রিনা হৌজিক শান্তি হনজিন্নবা পায়খৎলিবা থবকশিং খরগা হেন্না য়াংশিন্নবা অমসুং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মরক্তা তপা তপা থাজনবা হেনগৎলক্লিবা অদুবুসু মতেং পাংশিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য অসিদা নুপীশিংগী ওইবা মহিলা ইন্দিয়া রিজার্ব বটালিয়ন (আই.আর.বি) লিংখৎনবা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদুসু শ্রী সাহনা অয়াবা পীখি।

মীফম লোইরবা মতুং শ্রী খেমচান্দনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা মহাক্কী ৱারোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা থেংনরিবা শান্তি রক্সাগী সমস্যাশিং অসি কোকহন্নবা অখন্নবা মহিলা আই.আর.বি. বটালিয়ন লিংখৎনবা গৃহ মন্ত্রিনা অয়াবা পীরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। ৱাফম অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকবা মরী লৈনবা চে-চাং পীশিল্লগনি।

**মেঘাচন্দ্র(এল)ঃ** ফাইনান্সিএল ইয়ার লোয়খ্রবা ফাওবা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী কায়থরকপা শেনফমশিং সরকারনা মতম চানা কাইথোকপা ঙমদবা অসিনা রাজ্য অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক হনগনি।

ৱাফম অসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন

ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখিবনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামনা ৱানরিঙৈ তঞ্জা অসিদা মতম চানা শেনফমশিং কায়থোকপা ঙমদবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মসি লৈঙাক্কী অশোয়বা খক নত্তনা মীয়ামনা সরকার অসিনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহন্নবনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা ঙসি নেসনেল দি-ৱার্মিং ডে-২০২৬ কী অহানবা রাউন্দ জিলা অদুগা মন্ত্রি পন্থা ভিলেজতা লৈবা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চাইল্ড হেলথকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: রংবুং সেলিনা হায়-কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা তিল লৈতনবা হিদাক শুংশোই শোয়দনা পীজবনি। মসিদা স্কুলগী ওজাশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং অমদি মরী লৈনবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

জিলা অদুগী চহি তাঙ্কক অসিদা লৈরিবা অঙাংশিংদা দি-ৱার্মিংগী টেব্লেত অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অমদি স্কুলশিংদগী ফংগনি। অঙাংশিংবু অমত্তা চিথদনা হিদাক পীজনবগীদমক কেম্পেইন অসি চয়োল অমা চুপা চথগনি।

**রিমস(এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিটুয়্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) না শিনদুনা থাখায় অমা চুপা চথগদবা লু-নানবগী কেম্পেইন-স্বসাতা পখৱারা ঙসিদগী হৌখ্রে।

কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্ন্বাল মন্ত্রালয়গী লমজিং মখাদা চথগদৌরিবা কেম্পেইন অসিগী পান্দমদি, রিমসকী অকোইববু লু-নান্না থম্বা হায়বসিনি। মসিনা রিমসতা লৈরিবা অনাবশিং, ষ্টাফ, মহৈরোই অমদি রিমসতা লাকপা মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহনবনি।

ঙসিগী কেম্পেইন অদু রিমসকী দিরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার

শর্ম্মনা হৌদোকখি। লোয়নননা স্বাসতা পখৱারাগী ৱাশকসু লৌখি। কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা লু-নানবগা মরী লৈননা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক পোষ্টর অমদি বেন্নর কয়াসু রিমসকী কেম্পস মনুংদা থেৎখি।

**অসামঃ** অসাম বিধান সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। মীখল থা অসিগী ৯ দা পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মাখলগী রেল্লি অনিদা ৱা ঙাংখি।

ধেমাজি জিলাগী গোগামুখতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-বি.জে.পিগী পান্দমদি, রাজ্য অদুগী লাইরবা অমসুং মিদল ক্লাসকী মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাং নীংথিনা পায়খৎপনি। মসিগী মথক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, শিক্ষা অমসুং হকশেলগী ওইবা চাউখৎ থৌরাং কয়া পুরকপা হায়বসিসু দল অসিগী পান্দমনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা অসামদা এন.দি.এগী লৈঙাক লৈরকপদগী রাজ্য অসি নীংথিনা চাউখৎ মায়কৈদা চংশিল্লকপা ঙমলে। রাজ্য অদুগী নহা কয়া হিংশাগী থবক থাদোক্ত্না শান্তিগী লমদা পুরকবা হোৎনবদা দবল ইঞ্জিন সরকারনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অসাম রাজ্য অসি মালেম শিনবা থুংনা চা মনা পুথোকপগীদমক মমিং চৎলি অদুবু হৌজিক সেমি কন্দক্টর পুথোকপলোমদা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি।

বিশ্বনাথতা পাঙথোকপা অতোপ্পা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বি.জে.পিগী পান্দমদি, অসামবু অত্মা নিরভর অসাম ওইহনবনি। রাজ্য অদুদা ঈশিং ঈচাও লাকশিন্নবা লুপা কোতি লিশিং ১৮ থাদনবা দল অসিনা ৱাশক্লি।

**প্রিয়াঙ্কাঃ** কংগ্রেস লুচিংবী-প্রিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রনা ঙসি অসাম বিধান সভা মীখলগা

মরী লৈননা মীখলগী তোঙান তোঙানবা মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি। সিবসাগর জিলাগী নাজিরাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি গান্ধিনা হায়-বি.জে.পি. সরকারনা পোৎ-চৈগী মমল ৱাংখৎলকপা, শেঞ্জা থুমজা অমদি থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহনবা ঙমদ্রে। পোৎ-চৈগী মমল ৱাংখৎলকপনা মীয়ামনা হিংবদা ৱানরিবা কয়া অসি য়েংলগা বি.জে.পিগী থৌশিল অসি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থৌশিলনি হায়না মরাল শিখি।

অসাম বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা বরাক তম্পাক্তা মীখলগী কেম্পেইন চথনবগীদমক মনিপুরগী লোক সভা এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম ঙসি সিলচরদা থুংখ্রে। মহাকা মীখলগী তোঙান তোঙানবা রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি অমসুং কংগ্রেসকী ভোট খোমগনি।

**ইসিঃ** অসাম, কেরলা অমসুং পুদুচেরি বিধান সভা মীখলশিংগী মাংওইননা ইলেক্সন কম্মিসননা সেন্ত্রেল ওবজাভরশিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা হীরম কয়া কুপা খন্নখ্রে।

অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিং য়াওনা পুন্না সেন্ত্রেল ওবজাভর ২৮২ না মীফম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি। মীখলশিং অসি নীংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবা লোয়ননা হিংশাগী থবক চথহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়না ওবজাভরশিংদা কম্মিসননা পাউতাক পীখি। মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী থৌওং করিগুম্বদা চথবা থেংনরবদি ইলেক্সন কম্মিসনদা খুদক্তা পাউ পীরক্কদবনি হায়না ওবজাভরশিংদা কম্মিসননা খঙহনখি।

**পরিবরতন (এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া স্বয়মসেভক সঙ্ঘ (আর.এস.এস) কী চহি ১০০ মপুং ফারকপগী থৌরমগা মরী লৈননা থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তসু পঞ্চ পরিবরতনগী থৌরম মায় পাকা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হৈরোক্তা চেল্লিবা তুরেল শেংদোক্কুনা ইং কুমজা ২০২৭ ফাওবদা অমোৎ-অকায় অমত্তা লৈহন্দবা খুঙ্গং অমা ওইহন্নবা পান দম থল্লি। অমোৎ অকায় শেংদোকপগী থবক অদুদা মফম অদুদা চৈখায়দুনা লৈরম্বা অমোৎ অকায় কিলোগ্রাম লিশিং ১৩ রোম শেংদোকখি।

**পন্দিত(এল)ঃ** পন্দিত দিনদয়াল উপধ্যায় পরিসন মহা অভিয়ান ঙসি ৱাংজি তেন্থাগী এম.এল.এ. শ্রী পাউনম ব্রোজেনগী যুমদা পাঙথোকখ্রে।

বি.জে.পি. ৱাংজিং তেন্থা মন্দলনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-শ্রীমতি অধিকারিময়ুম সরদা দেবী, এম.এল.এ. পাউনম ব্রোজেন, ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরিশিং, শ্রী এল. দেবেন অমসুং কে. সরতকুমার শরুক য়াখি।

**নৈলিত(এল)ঃ** নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনর্ফোমেসন টেকে ালোজি (নৈলিত) ইম্ফালনা টেকনেট ফাউন্দেসন মনিপুরগা খুৎশমরগা ওন টরপ্রন্যুয়রসিপ এন্দ ইটস ৱাকফ্লো-ষ্টেপ ৱান হায়বা হীরমদা সেমিনার অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ওফ লাইন অমসুং ওন লাইনগী খুথাংদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুদা মহৈরোই অমসুং ওন্ট্ররপ্রেন্যুয়র ১০০ রোমনা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** হৌখিবা মার্চ থাগী ২৩ দগী পাঙথোরকখিবা ৫৯ শুবা ফয়ার ৱার্কিং ফেষ্টিবেল ঙসি তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লোয়শিনখ্রে।

তামিল সঙ্গম-মোরেদা লৈবা শ্রীঅংগলা প্রমেশ্বরি শ্রী মুনিশসোর লাইশঙদা চথুরকখিবা কুম্মৈ অসিদা ম্যান্মারদগী লাকপা লাইনিংবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি। কুম্মৈ অসি পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনা নীংথিনা পাঙথোকবা অসাম রাইফলসনা চেকশিন

থৌরাং কয়া লৌখৎখি। সেক্যুরিতি ফোর্স অসিনা নোংমদা মীওই ৫০০ রোমদা অচা অথকশিংসু য়েন্থোকখি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা অসাম রাইফলসকী দিপ্যুতি ইন্সপেক্তর জেনরেল শরুক য়াখি।

**টেক্স ঃ** ঙসিদগী অনৌবা শেনবা চহি হৌবগা লোয়ননা ফাইনান্সিয়েল রুলস য়াওনা তোঙান তোঙানবা রিফোর্মস কয়া চৎনবা হৌরে। চহি ৬০ চৎনরম্বা অরিবা ইনকম টেক্স এক্ট ঙসি অনৌবা ইনকম টেক্স এক্ট ২০২৫ না মহুৎ শিল্লে। মসিনা টেক্স সিষ্টেমদা হেন্না লাইথোকহল্লগনি।

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা দিজিতেল পেমেন্ট ত্রান্সজেক্সনদসু অহোংবা খরা লৈরগনি। পার্মেনেন্ট এক্কাউন্ট নম্বর, পান এপ্লাই তৌবা নত্রগা অপদেট তৌবদসু ঙসিদগী হৌনা শেমদোক্লবা নিয়মশিং চৎনরগনি।

**সেন্সস ঃ** লৈবাক অসিগী মীকোক থিবা (সেসন্স) ২০২৭ কী অহানবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরে। মসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সেন্সস অমা ওইরগনি। অহানবগী ওইনা মীকোক থিবা দিজিতেলগী খুত্থাংদা চৎখি।

সেল্ফ ইনুমরেসনগী খুদোংচাবসু পীগনি। সেল্ফ ইনুমরেসন অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা চৎখগনি। অদুগা হাউস লিষ্টিং অমসুং হাউস সেন্সসনা থা অমা চুপা এপিল ১৬ তগীনা মে ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসি অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎ, এন.দি.এম.সি মফমশিং অমসুং কন্টোনমেন্ট বোর্দ, গোৱা, করনাতক, লক্সদ্বিপ, মিজোরম, উরিষা অমসুং সিক্কিমদা চৎখগনি। সেন্সস অসি পাঙথোকবগীদমক সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ১১,৭১৮ হেন্না কাইথোক্লে।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী

অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এস.এস.য়ু. কাংখুৎনা লমশাং কাংখুৎপু পাঞ্জল ৯-৮ দা থোইখ্রে।

হয়েং য়াইস্কুল কাংখুৎ অমসুং থাংমৈবন্দ কাংখুৎ শান্নগনি।

**ক্রিকেট ঃ** চহি ১৫ মখাগী নুপীশিংগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** অহুমশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদাা শান্নখিবা মেটচ অমদা-ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. লালাবুংনা এল.সি.সি. লমশাংবু ৱিকেট ৫ থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** সোসিএল ৱাকরস কংগ্রেস-খোঙমননা শিন্দুনা এস.ডব্লিয়ু.সি. গ্রাউন্দদা চথরিবা৮ শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-বি.এস.য়ু. কৈরাওনা ৱাই.বি.সি. লংদুমবু পাঞ্জল ৫-০ দা, এস.ডব্লিয়ু.সি টিম (বি) না কে.এস.সি. কোংববু পাঞ্জল ৭-৬ তা, এম.এম.সি-মোংখাং লম্বীনা অবা-ক্ষেত্রিগাউবু পাঞ্জল ১-০ দা অদুগা এস.ডব্লিয়ু.সি. টিম (এ) না এন.ৱাই.টি.ঐচ.সি-ওক্রম চুথেকপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা সমরাম ট্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মালেম এফ.সি অমসুং খোংজোম এফ.সি. পাঞ্জল

অমমম চন্দুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এস.টি.ৱাই.সি. অমসুং ৱাইখোং পাঞ্জল অমমম চন্দুনা দ্রো চৎখি।

**ফুটবোলঃ** শামুরৌ মখা লৈকাইদা চত্থরিবা অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ত্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইমা পান্থোইবীনা সিঙ্গা আইদেলবু পাঞ্জল ২-০ দা, পাউবীতেক এফ.সিনা শামুরৌ এফ.সি. টিম (বি) বু পাঞ্জল ৬-১ অমসুং ৱাই.এস.সি. নাউরেম চাপ্রৌনা ইসোক এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে।

**সাফ ঃ** সাফ অন্দর টৌইন্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ভারত অমসুং ভুটান ঙসি নুমিদাং পুং ৯ তাবা মতমদা মালেগী নেসনেল ষ্টদিয়মদা শান্নরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা বঙ্গলাদেসনা নেপালবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল থা অসিগী অহুমদা শান্নগনি।